এডিটোরিয়েল

শাজিবুগী ২৩ নি পানবা ইরাই, এপ্রিল ১০, ২০২৬

ꯃꯤꯆꯝ ꯃꯤꯌꯥꯝꯕꯨ ꯀꯔꯤꯁꯨ ꯂꯩꯇꯅꯥ ꯈꯜꯂꯀꯄꯥ

[illegible]

মীচম মীয়াম্বু করিসু লৈতনা খল্লকপা কুকি টেরোরিষ্টশিং শৌগৎলে হায়নরক্লিবসি চুল্লব্রা

মীচম ঙাকপা লাকপা সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মী হাৎলকপদা চেন্নরিবা পার্সনেলশিং অদুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎফম থোক্ত্রব্রা? মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা মীচম মীয়ান্না ঙমগদৌরিব্রা? অশিবনা অদুমক মাঙজবা তারব্রা? ৰাহং কয়ানি ...। ঙসি ফাওবগী ওইনদি মণিপুরদা অশিবনা অদুমক মাঙজবা ওইদুনা লাক্লি। লৈঙাক্লা করি তৌফম থোকই হায়বসি অমুক তাক্লখিগদ্রা? য়ূমগী মপি-মপা ওইবশিংনা ৰাখল তাদনা ঙাউদুনা লৈরবদি য়ূম অদুদা লৈরিবা মচাশিং লৈকায়না উৎশিৎতে অমদি নুংশিদে। মদুমক লমদম অসিদা থোক্লব্রা? য়ূমগী মপি-মপাশিং অদুনা ৰাখল তানা নীংথিনা ঙাক শেন দুনা লৈরবদি কনা অমত্তনা হঙ্গৎনা ফাওবা য়েংবা ঙমদে। অদুবু লাইবক থিবদি লমদম অসিদা মীচম মীয়ামগীনি হায়বদা কনা অমত্তা লৈতবগা পাঙ্খক ওইরে। কুকি টেরোরিষ্টনা ফোঙনা নুপী-অঙাং হাৎলে, পেন্দবগী খোল্লাউ লাউরিবা মীচমশিংদসু সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মী হাৎলে। ত্রোংলাউবিদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওইশিংনা পিল্লিবা শুপ্পগী চহী ৫ অমদি থা ৫ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অনি বোম কাপশিন্দুনা হাৎখিবগী থৌদোক অদুগী পেন্দ্রবা খোইশাউনরবা মীয়ান্না সী আর পি এফ কেম্পদা থোমজিনখিবা অদুদা করি তৌরগা লৈহৌই। মীচম ঙাকপা লাকপা মখোয়না মীচম ঙাকপা ঙমদ্রিবা করিগীনো হায়বা ৰাহংনা মাঙওইনরগা চঙশিল্লুবনি। ঙসি ফাওবগী মনুংদা মীচম মীয়ান্না অতন্ননা সেক্যুরিটি পার্সনেল হাৎলে হায়বদি তাদ্রি। মুক্লবদা অশোক-অপন অমদি মীশি-মীনাগী থৌদোক য়াওখিদবদি নত্তে। সেক্যুরিটি পার্সনেলশিং অদুনা মখোয়গী কেম্প কন্নবা অমদি মীয়ামগী মোভ অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা ব্লেঙ্ক ফায়র তৌনে। অদুবু মীচম মীয়ামদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌওং অসিদি মণিপুরদা য়ান্না তোয়না থোক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসিদা মীচম কয়া অমা শিখ্রে। জুন ১৮গী থৌদোক নীংশিংবা য়াই। অতে থৌদোক কয়া অমসু লৈখ্রে। ত্রোংলাউবিগী থৌদোক্তসু শীখিবা মীগী মশিং ৩ শুখ্রে। ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌরকখিবা ঈৰাং মনুংদসু মীচম কয়া শিখ্রে, থীবা খঙদবসু য়াওরি। পুন্নমক অসি খঙনা-খঙনা অমদি উনা-উনা লৈঙাক অসিনা করিমত্তা তৌবা ঙমদনা লৈরিবা অসি হেনমনল্লে। সী বি আইদা অমদি এন আই এদা শিন্নখ্রে হায়বদুনা ৰারোইশিন পুরকপা ঙমগদৌরিব্রা? ঙসি ফাওবদা মখোয়দা শিন্নখিবা মীশি-মীনা অমদি মী মাঙখিবগী থৌদোক কয়া য়ান্না জষ্টিস ফংখ্রবগে? টেরোরিষ্টশিংনা চথরক্লিবা থৌওং অসিসু অদুমক য়েংদুনা লৈগদৌরিব্রা? পিকখ্রবা ষ্টেট অসিগী করম্বা মফমদা কুকি টেরোরিষ্টশিং কন্দাইদা লৈ হায়বা পুন্নমক্লা খঙলিবনি। অদুবু মখোয়গী মথক্তা এক্সন অমত্তা লৌখৎপা ঙমদ্রিবা অসিনা তাকপদি লৈঙাক্লা কুকি টেরোরিষ্টশিংবু শৌগৎলে হায়না মীয়ান্না ফোঙদোক্লরিবা ৰাফম অসি চুল্লব্রা হায়বগী অচৌবা চিংনবা লৈরক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

টেরোরিষ্টনা মীচম হাৎলগা নুংঙাইতবা অমদি পেন্দবা ফোঙদোকপদুরা লৈঙাক্লি মথৌরা নৎত্রগা মীচম হাৎলিবা টেরোরিষ্টশিং অদুগী মথক্তা পুলিস অমদি সেন্ট্রেল ফোর্স থাজিল্লগা চপচানা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎহনবা হায়বসি লৈঙাক্লি মথৌ নৎত্রা? মীচম মীয়াম্বু মতম শাংনা অপঙবা শিবা য়াগনি খল্লিবা লৈঙাক অদো কুইরোই, মীনা য়াদবদি তোকখ্রো লাইনসু য়ারোই। মথৌনা লৈবদি মালহনবা, মরৈবাক নুংশিবা শাবা হায়বসি য়েক্লবশিংনসু য়ান্না মুন্না খঙই। করম্বা লুচিংবনো, থেম্বা য়াগদ্রা অমদি য়ারোইদ্রা হায়বসিসু মুন্না খঙই। মদুনা লৈঙাক অসিবু অমদি লমদম অসিগী মীচম মীয়াম্বু করিসু লৈতনা খল্লকপগা লোয়ননা উশিৎ থওইরক্তবনি। মণিপুর মীয়ান্না লৈঙাক্তা চাউনা থাজবা থম্মি, মখা তানসু থমখিগনি। তৌবতবু মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌরক্তুবদি ঐখোয় মশেল ফাওবা হাৎনরকপা য়াই হায়বদি কাউদবা ফৈ। মমাং চহীদা লুচিংবা কয়াগী য়ূম মৈ চাকখিবা অদু কাউদবা চুমগনি। পেন্দ্রবা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা টিয়ার গ্যাস, রবর বুলেট কাপ্পুনা উৎলিবা মথৌনা অদু মী হাৎপা কুকি টেরোরিষ্টশিং অদুদা উৎথোকপনা অচুম্বা থবক ওইগনি। মীয়ান্নসু মপুং ফানা সপোর্ট তৌরক্কনি। টেরোরিষ্ট কনখৎতুনা থম্বগী মহুৎতা লমদম অসিদগী তকখায়দুনা তান্থোকখিসি। মতম অদুদতা ঈং-তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবা মণিপুর অমা শোয়দনা ওইরকপা ঙমগনি।

অমম-অঙান, অফ-ফত্ত, অহৌব-অরোইব হায়ব লৈতে তাইবংদ

মীওইবন মশাগী মশক অমদি মগুন শৈথানিংলকপ মতমদ অতোপ্প শকউদব লৈ-লৈতে খঙদব পোৎশক অম শেমজিল্লগ মাগী মমিংদ মশাগী মতিক-মগুন শৈথাব মমাংঙৈদ চৎনরকই। পোৎশক্তুবু মহাক্লা 'ঈশ্বর' হায়না মিংথোল্লি। অদুগ য়েংবীয়ু কয়াদ মরৌ চাউখ্রবনো মীওইব। মাগী খুৎশেমনি হায়বই মহুৎ হায়রকই- 'গোদ ক্রিয়েতেদ মেন ইন হিজ ওন ইমেজ' ঈশ্বরন মীওইববু মশামক্কী মিতম লাক্তুন শেল্লকই। ৰাহৈসিন তাকথোকচৈ- ঈশ্বর হায়বসি মীওইবগী খুৎশেন্নি। অদুবু মতমগী মতুং ইন্ন মীরোল অমদই অম মান্নদব মী কয়াগী মান্নদব ৰাখল পোক্লরকপন ঈশ্বরগী মথক্ত ৰাহৈ হোংলকই- 'ঈশ্বরদি মশক লৈতবনি'... 'মহাক্তি মফম খুদিং লৈবনি'... 'ঈশ্বর হায়বসি অমত্তনি'.. মীগী মশিং অকক্লব লৈতবগুম লাইগী মশক তাক্লবসু অকক্লব ৰাহৈ লৈরক্তে। শক্লাইদব ঈশ্বর অনিদ হায়রপ তোঙান তোঙানব মীগী শকওং শেমদোক্লগ ঈশ্বরগী শক-ওং শেল্লকই- নুপা অমসুং নুপী, মীওইবই শকওং উরগ লাই-নুপা, লাই-নুপী (লাইরেম্বা / লাইরেম্বী) শেল্লকই.... অফবা অমসুং ফত্তবা মী মখলদি উরুরগ অফবত তৌব ঈশ্বরনি হায়রম্বদুদগী ফত্তবা সাইতান (দেভিল) কৌব অম শেমগৎলকই।

'তলমুদ' কৌবা জিউ (য়ুহুদি) শিংগী অতাঙব মখলগী লাইরিক অম লৈ। লাইরিক্তুদ ওন্থোক ওন্থোকপ মীন হায়নদব ঈশ্বরগী মরমদ হায়ব ৰাহৈ পরেং কয় থেংনৈ। খুদম ওইন 'ঈশ্বর হায়বসি অফব পুকচেল চেনব নত্তেনে'... 'ঈশ্বর হায়বসিবু নঙগী নখুরা / নতোনলো' .... 'ঈশ্বর ঈচাও, য়ুহার হাবনচিংব অমাং-অতা থোকহনবসিতন মাগী মথৌনি'... অসিনচিংব। ঈশ্বরবু খম থেংন য়ক লাউন থাজজবা মীওই কাঙলুপ অম লৈরিব 'জিউ' ফুরুপ অসিন অসিগুম্ব লাইরিক অসিবুসু পান্ন পানৈ। অতাংব মখলগী লাইরিক্লি হায়দুন লুন-চান্না য়োক্তুন থম্মি। অদুগ, জিউশিংবু নেচরেল এনিমিনি খঞ্জরিব মীওই ফুরুপ অমবুন মখোয়ন লাইনি লাৎচরিব অমসুং লাইদুগী পাউখোল্লোয় ওইনা তাইবংসিদ লাক্লম্বনি থাজরিব মহাক্কী মায়োক্ত ৰাহৈ অম হায়রুব, হন্দোকপ য়াদব শিবগী চৈরাক খেন্নবসি য়েংবিয়ু।

ঈশ্বর হায়বসি শকউদব মীওইবগী 'ইনর্জি' তৌবগুম শক্তিদুনি হায়রগ, সনাতন ধর্ম্ম থাজজবা হিন্দুশিংনদি মীওইবগী মিতম'বু শকওং কয়া শেমদোক্তুন মখুৎ য়েৎ অমসুং ওইরোমদ পান্থোম কয়া লোঙথোকহন্দুন, মকোক লোঙথোকহন্দুন .... করিগুম্বদ শাগী মকোক পালহন্দুন... মীনুংশি চাউবী নুপীবুসু নুংশি খঙদবী, ইখৌ লাংবী ওইহন্দুনা পুন্নমক্তই তোঙানব লাই হায়বসি মীওইবনি' খঙহন্নব লাইনিং লম্বী মখল অম পুথোক্লম্মি। তোঙান তোঙানব লাইনিং লম্বী খুদিংমক্লা মাগী মাগী ওইব মান্নদব ৰাহৈদ লাইগী তাক্লনব হোৎনরম্মী। মান্নদব ময়ামদুগী মরক্ত মান্নব অমখক য়াওই, মদুদি 'মীওইব হায়বসি ঈশ্বর মাগী খুৎশেমনি'। শেন্বীব অম য়াওদন করিগুম্ব পোৎশক অম ওইরকপ হৌনদে, ওইরক্তে হায়ব মীওইবগী ৰাখলসিন অমুক হংহল্লকই- 'ঈশ্বরনা মী শেল্লবদি, ঈশ্বর মাদি কনাগী খুৎশেমদো'? তাইবংপান কনান শেম্বনো? ক্রিয়েতেদ দি য়ুনিভর্স? মশান হংজব ৰাহংনি' মশান পাউখুম পীজবনি।

নুমিৎ থা থৰানমিচাক .... অহাঙব অতিয়াদ তাউদুন উংদুন লৈরিব মৈবুলগুম্ব পোৎশকশিং সোলার সিষ্টেম গেলেক্সি... করম্ব

সোরারেন

লইরকখিবনো? মীওইবন ৰাখল খনবা হৈরকখিঙৈদগী মশান পেঞ্জব পাউখুম অম ফংদ্রি'ফাও মীরোল অমদাই অমদ থঙথদুন হংলকখি। পাউখুম কয়া পীরকখি। ৰাহং-পাউখুম লেপ্তন চথরকপ প্রেসেস অদুগী পোথোক্লি 'ঈশ্বর'। আ অৰাঙব নোংদোনথক্ত 'লাইরৈপাক' কৌব লমদম অম শেল্লগ সনা-লুপা মনি-মুক্তান থান্নব কোনুং অম শাদুন, কোনুংদুদ'সিং হাসন অমদ ফমদুন তাইবংপানসিবু ঙাক্লিব মপু অমগুম খনহল্লকই। অদুন মাবু তাইবং মপু-লোর্দ ওফদ য়ুনিভর্স হায়নসু মিঙ্গৌনৈ। থাজবদুদ য়ুন্ফম ওইরগনি-লাইবু লল্লোনপোৎ ওন্থোক্লম্ব 'লাইগী মচা' 'লাইগী পাউখোল্লোয়' ওইন মী মরক্ত লাক্লম্ব মখোয়নসু নোংদোনথক্ত মায় থাঙ্গত্তুন অপাম্ব / মীহৌব পোৎশক্তু নিবগী চৎনবী/ হৈনবী শেমগৎলল্লিব প্রেয়র / প্রার্থনা মিংথোল্লল্লিব। নুংথিলদন কোরৌহনব, নুংমিদাংদন থা-থৰানমিচাক.... খঙদবা/ অঙকপন থল্লব অহাঙব অতিয়াদ য়েংলগনি-মফমদুদ খঙদব, উদব / খঙ'ঙবদ উঙমদব করিগুম্ব খর লৈরে খল্লগনি মীওইবন শৈথারিব, পুমঙম ঙম্ব কনাগুম্ব অমগী মতিক ময়াই। আ মথায় থায়ন মমাংঙৈ, মীওইবগী ৰাখলন লাম্ব ফংব ঙম্ব মতম অমগী মমাঙদ পুমহাঙ হাঙবা অতিয়াসিদ লৈচিল-নোংখাইগুল্লব-মনিলগুম্ব পোৎশক খর উরু-রু-রু লৈদুনা কন্ন লৈশিন্নরক্লগ, অকনব শাফু অমগ লোয়নন ময়ায়দুদ পোকখায়খি। অকনব শক্তি অমগ লোয়নন পোকখায়খিব অদুদগী মায়কৈ তরা সিনব-থুংন, ঈৰায়-ইনিল ওইন মচেৎ মচেৎ পাইথোকখি। মৈবুল ওইন পাইথোকখিব মচেৎশিং অদুনি-ঙসিগী নুমিৎ-মালেম-থা-থৰানমিচাকশিং। থৌওং অসিবু কৌই মীওইবন 'বিগ-বেং-থিওরি'। মী ওইন পোকখিব থৰায় পান্বশিংগী মরক্ত খ্বাইদৈ হেন্ন তাঙলব মীওইপোকশিংগী মরক্ত অমনি লৌনরিব সাইন্টিষ্ট 'ষ্টেফেন হোকিংস'ন খনখি - হৌব/ লোইব নাইদব 'মতম' হায়ব পোৎ'সিগী অহৌব, 'বিগ বেং থোকখিব পুংফম অদু ওইব তাই'। 'মতমগী চাউরাকপ ইতিহাস' (এ ব্রিফ হিষ্টরি ওফ তাইম) হায়ন মিংথোনব মাগী লাইরিক্তুদ ইরম্মী। পুন্নমকসিগী পাউ করিমত্ত খঙদ্রিঙৈ কৈদৌঙৈ ইখিবনো খঙদব ঐখোয়গী অরিব লাইরিক (পুয়া) অমদসু ইরম্মী .... 'নহান্নোং, তাইবং শেম্ব মপুন মালেম লৈশাবু ইনুং পুঙদগী কুক্কৎ-চিংখৎ থাঙ্গৎ থাঙ্গৎতুন চিংখৎলকপ-কাম্বি, লাইজ, মালংব চোংথোক্লে ... হামলেন হোমলেন কেৎনঙৈ তরঙ-লাইজ পোকখিয়ে...। নেবুলস থিওরি অমসুং বিগ ৰেং থিওরিগী ৰারি পারুরগ মৈতৈগী অরিব লাইরিকশিংদ ইরম্ব লোন'দুগী ৰাহন্থোক নৌন অমুক থিনীংলুবনি।

মতাঙসিদদি কাউথোকখ্রে-করম্বা লাইন করি শেল্লম্বনো? ক্রিয়েতর অম য়াওদন ক্রিয়েসন অম ওইথোক্তে... শেন্বীব অম য়াওদন করিগুম্ব অম ওইরক্তে হায়ব মীওইবগী ৰাখলসিননি -তাইবংপানব (য়ুনিভর্স) অসি ঈশ্বর মান-শেম্বনি হায়ব ৰাখলসিন খুদুম চনখিবনি। ঈশ্বর মাবুসু শেন্বীব কনাগুম্ব অম লৈরমগনি হায়বই ৰাখল অমগী মরু হুনখিব। অফবসু ফত্তবসু, অঙানবসু, পাপ-পুন্য অনিমক, অচৌবসু মচাসু তোঙান-তোঙানবা অনী নত্তে, অমত্তনি। সার্কল অম য়েকপগী অহৌব অমসুং অরোইব বিন্দু অনীদু উন্নখ্রব মতুংদ অহৌব অরোইব খেন্নদন অমত্ত ওইখিবদুগুম্বনি।

হেপ্পিনেস ইন্দেক্সতা মালেমগী ১১৬শুবা মফম কল্লিবা ইন্দিয়া

গোকুলচন্দ্র ঙাংবম

মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী মীয়ান্না লৈবা নুংঙাইবগী চাং ওনবগী খূজিং ওইরিবা হেপ্পিনেস ইন্দেক্স হন্দক্কী চহী কুমজা ২০২৬কী ওইনা লাউথোরকপদা ইন্দিয়া অসি মালেমগী লৈবাক ১৪৭গী মনুংদা ১১৬ শুবা মফম কল্লি। লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বায়দগী ৰাংবা মফম কনখিবসি কুমজা ২০১২দা ৯৪শুবা মফমদা লৈখিবদুনা ওইরি। মদুদগী মফম মথং মথং কুমথরক্তুনা কুমজা ২০২০দদি ১৪৪ শুবা মফমদা লৈরুরবনি। মদুদগী খরা অমুক ফগৎলক্তুনা হন্দক ১১৬ শুবা মফমদা লাক্লিবসিনি। মসিনা তাক্লিবদি লৈবাক অসি মীয়ান্না লৈবদা নুংঙাই মরাং কায়বা লৈবাক হায়বদু ওইদে তাকপনি। লৈবাক ১৪৭কী হেপ্পিনেস ইন্দেক্স পুথোকপগী মনুংদা ঐখোয়গী লৈবাক অসিদগী লৈবদা হেন্না নুংঙাইবা লৈবাক ১১৫ লৈরি অদুগা মসিদগী হেন্না লৈবা নুংঙাইতবা লৈবাক্লা শুপ্পগী ৩১ খক লৈরি হায়বনি। মসি লৈবাক অসিগী ওইনা অফবা খুদম নত্তে। ঐখোয়গা য়ুল্লোন্নরিবা চিনা ৬৫শুবা মফমদা, নেপাল ৯৯শুবা মফমদা, পাকিস্তন ১০৪ শুবা মফমশিংদা ঐখোয়গী মথক্তা লৈরি।

হেপ্পিনেস ইন্দেক্স হায়বসি করিনো, কমদৌনা, কনানা করি করিদা য়েংলগা ওনবনো হায়বনচিংবসি হান্না খঙদোকপা তঙাই ফদে। ইন্দেক্স অসিনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ান্না মখোয় মখোয়গী লৈবাক অদুদা লৈবদা নুংঙাইবগী চাং অদু কেন্ট্রিল লেন্দর কৌবা মশীং ১দগী ১০ ফাওবা লৈবা ওন্ন-পথাপ অমগী মতেংনা ফোঙদোকই। ওন্ন-পথাপ অসি অমেরিকাগী সাইকোলোজিষ্ট আলবর্ট হেদলী কেন্ট্রিল কৌবা অমনা ইহান হান্না হৌদোক্লম্বনি। মসিনা লৈবাক অদুগী মীয়ান্না লৈবাক অদুদা হিংবদা নুংঙাইনা হিংবগী থাক তাকপা ঙমই। ইন্দেক্স অসি ৰাংলবদি লৈবাক অদু লৈবা নুংঙাইবা হায়বদু ওই, নেল্লগনা লৈবদা নুংঙাইতবা। ৰাবা লৈবাক হায়বদু ওই। কুমসি চহী অসিগী ওইনা ফিনলেন্দ, দেনমার্ক অমসুং আইসলেন্দনা মকোক মথং তাদুনা মীয়ান্না লৈবদা খ্বায়দগী নুংঙাইবা লৈবাকশিং ওইরি। অদুগা মালাৱি, সিএরা লিওন অমসুং আফগানিষ্টান্না খ্বায়দগী মমৈ থংবা লৈবাকশিং ওইদুনা মীয়ান্না হিংবদা খ্বায়দগী ৰাবা লৈবাকশিং ওইরি।

হেপ্পিনেস ইন্দেক্স অসি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০১২দগী হৌদোকখি। চহী কুমশিং ১৯৭০গী মতমদা ভুটান্দা পাল্লম্বা নিংথৌ জীগমে সিংয়ে ৰাংচুক্লা লৈবাক অমগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ত (জি দি পি) দগী গ্রোস নেসনেল হেপ্পিনেস (জি এন ঐচ)না হেন্না মরু ওই হায়বা ৰাফম পুথোরকখি। মহাক্কী জি এন ঐচ কী মরু ওইবা মীৎয়েংদি অপুনবগী ওইবা চাউখৎপা, ইশাগী নাৎ-চৎনবী ঙাকপা, ঐখোয়গী অকোয়ববু নীংথিনা ঙাক-শেনবা অমদি অফবা লৈঙাক হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইবনি। মহাক্কী চাউখৎপা হায়বসি মীয়াম্বু নুংঙাইনা লৈহনবা ঙম্বদুনি হায়বা ৰাখল্লোন অসিদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ানিংবা ফোঙদোক্লরকদগী য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পূক্লিং চঙলক্তুনা কুমজা ২০১১দা ৰারেপ অমা লৌদুনা নুংঙাইনা লৈবা হায়বসি মীওইবগী হিংবগী তঙাইফদবা পান্দম অমনি হায়বসি য়াখি। মথংগী চহী কুমজা ২০১২দা অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড হেপ্পিনেস রিপোর্ট পুথোক্তুনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মীয়ামগী নুংঙাইনা হিংবগী থাক লেপ্লিবা হেপ্পিনেস ইন্দেক্স ফোঙদোকপা হৌখি। য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিনা কুমজা ২০১২গী জুন ২৮দা লৌখিবা ৰারেপ অমগী মতুং ইন্না চহী খূদিংগী মার্চ ২০বু ইন্টরনেসনেল দে ওফ হেপ্পিনেস হায়দুনা লাউথোকখি।

হেপ্পিনেস ইন্দেক্স পুথোক্লবগীদমক্তগা অমেরিকাগী ৱাশিংটন দি সিদা লৈবা মল্টিনেসনেল কম্পনি 'গল্লুপ'না মখোয়গী 'গল্লুপ ৱার্ল্ড পোল' গী মতেংনা মালেমগী লৈবাক ১৫০ হেনবদগী সর্ভে তৌদুনা ঈ-পাউ (দাটা)শিং খোমগৎলি। ঈ-পাউশিং অদু য়ু এনগী সস্টেনেবল দিভলপমেন্ট নেটৱার্ক সোলুসন (য়ু এন এস দি এন এস) না ওক্সফোর্ড য়ুনিভর্সিটি, কলম্বিয়া য়ুনিভর্সিটি অমদি অতৈ মালেমগী থিজিন খোৎচিন তৌরিবা খঙ-হৈরবা নৈনরোই কয়াগা লোয়ননা নৈনরবা মতুং দা ইন্দেক্স অসি ফোঙই। ইন্দেক্স অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা হীরম ৬খক্তা মরু ওইবা মীৎয়েং থমই। মখোয় অদুদি মীকোক্কী ওইবা শেন্থোক (পর কেপিতা জি দি পি), অমগা অমগা মতেং পাংশিন্নবা (সোসিয়েল সপোর্ট), হকচাং ফনা নাদ-য়েক্তনা লৈবা, নীং-খা তম্বা, পূকচেল চাউবা অমসুং শেঞ্জা থুমজাগী চাং অসিনি।

১। মীকোক্কী ওইবা শেন্থোক্কী চাং হায়বসি চাংচত্তা লৈবাক্তুগী মী অমগী ওইবা শেন্থোকপু খঙনৈ। মসি লৈবাক অদুগী চহী অদুগী অপুনবা জি দি পিবু অপুনবা মীশিংনা য়েন্থোক্লগা ফংই। মসিগী চাং ৰাংলিবা মখৈ লৈবাক অদু নুংঙাই য়াইফবা হায়বদু ওই, হেপ্পিনেস ইন্দেক্স ৰাংই।

২। মীওইবা মশেল (মরুপ-মপাংশিং নৎত্রগা মরী মতাশিং নৎত্রগা কাঙলূপ মশেল) অমগা অমগা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা, অৱা-অনা তাবা য়াওনরকপদা মতেং পাংশিন্নবা, অপুনবগী ৰাখল্লোন চেনবা খুন্নাই অমা ওইবা হায়বসিসু ইন্দেক্স অসি পুথোকপদা মরু ওইবা মীৎয়েং থল্লি। লৈবাক্তুগী মীওইশিংদা মসিগী ৰাখল্লোন অসিগী থাক ৰাংনা লৈরিবমখৈ ইন্দেক্স অসি ৰাংই।

৩। মীওইশিংগী হকচাং ফনা, নাদ-য়েক্তনা, পূন্সি নুংশাংনা লৈবা, হায়বদি লাইফ এক্সপেক্টেন্সি ৰাংবা হায়বসিদসু মরু ওইবা মীৎয়েং থল্লি। মসিনা কোনশিল্লিবসি অনা লায়েংগী খুদোংচাবা পাক শন্না ফংবা মীয়ান্না মচি ওইবা চীঞ্জাক মপুং ফানা চাবা ফংবা অমসুং পূন্সি মহিংনচিংবা য়াওরি।

৪। লৈবাক্কী মীয়ান্না হিংবদা মনিং তন্না হিংজবা ফংবা হায়বসিসু ইন্দেক্স অসিদা অচৌবা ইথিল অমা পীরি।

৫। পুকচেল চাউবা অমসুং কখোকপা ঙম্বা হায়বা লৈবাক্তুগী মীওইশিং গুণ অসিসু ইন্দেক্স অসি হোৎপদা য়াওরি। পুকচেল চাউনা অমসুং মিনুংশিগা লোয়ননা কখোকপা ঙম্বা মীওইশিংনা অমগা অমগা নুংশিন্ননা হিংমিন্নরিবা লৈবাকশিংগী ইন্দেক্স অসি ৰাংই। লৈবাক অদুগী মীয়াম অদু অমগা অমগা নুংশি চান্ননা নুংঙাইনা লৈমিন্নৈ।

৬। শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা লৈবাকশিং লৈবদা নুংঙাইবা লৈবাকশিংনি, মখোয়গী হেপ্পিনেস ইন্দেক্স ৰাংগনি। শেঞ্জা থুমজা ৰাংলিবমখৈ মীয়ামগী পূন্সিদা নুংঙাইতবা হায়বদু ওইগনি।

মীচম মীয়ান্না নুংঙাইনা লৈবগী চাং তাক্লিবা হেপ্পিনেস ইন্দেক্স অসিদা ঐখোয়গী লৈবাক ইন্দিয়াগী থাক য়ান্না নেম্না (লৈবাক ১৪৭গী মনুংদা ১১৬শুবা) লৈরিবসি করি করি মরমদগী ওইরিবনো হায়বদু খঙজিনবা তঙাইফদে। ইন্দেক্স অসিদা ঐখোয়গা য়ুল্লোন্নরিবা চিনা, নেপাল অমদি পাকিস্তান্না ঐখোয়দগী থাক হেন্না ৰাংনা লৈদুনা হেন্না লৈবা নুংঙাইবা লৈবাকশিং ওইরি।

ইন্দেক্স অসিদা খ্বায়দগী মকোক্তা লৈরিবা ফিনলেন্দগী পর কেপিতা জি দি পি দোল্লর ৬০,০০০, আইসলেন্দগী দোল্লর ১,০০,০০০ ওইবদা ইন্দিয়াগীদি দোল্লর ৩,০০০ খক্তা ওইরি। অদুবু পর কেপিতা জি দি পি দোল্লর ১৬৫০ অমসুং ১৭০০ খক্তা ওইবা নেপাল অমসুং পাকিস্তান্না ইন্দিয়াদগী হেন্না ৰাংবা মফমশিং কল্লি। মসিনা তাক্লিবদি ইন্দেক্স অসিগীদমক্তা পর কেপিতা জি দি পি খক্তা নত্তনা অতৈ হীরমশিংদসু য়েংদবা য়াদ্রি। ইন্দিয়াদা শেন্থোক্কী চাং মান্নদবা (মী খরনা শেন্থোক য়ামনা নেম্বা, খরনা য়ান্না ৰাংবা), থবক শুফম নোম্ফম লৈতদুনা থবক ফংদবা, মশাগী চানবা থাক্তগী হন্থবা থবক শুবা, লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা মীশিং, অমরোমদা হিংবদা চঙবা পোৎ-চৈগী মমল ৰাংবনা মরম ওইরগা হিংবগী মমল ৰাংখৎলকপা, পুন্নমকশিং অসিগী মমি ইন্দেক্স অসিদা তারি।

মীওইবা মশেলগী মরক্তা লৈনবা নুংশিনবগী, অমগা অমগা মতেং পাংশিন্নবগী, পুন্না হিংমিন্নবগী (সোসিয়েল সপোর্ট) ৰাখল্লোন লৈরিবমখৈ লৈবাক অদু লৈবা নুংঙাইবা লৈবাক ওইগনি। মসিগী ৰাখল্লোন অসি সহর পাকথোক চাউথোরকপা, তোঙানবা চাকখুম (ন্যুক্লিয়র ফেমিলি) লিংনরকপা, য়ূম হোংদোক হোংজিন (মাইগ্রেসন) তৌনরকপা, শীনফম্না মরম ওইদুনা নক্লুনা লৈমিন্নরিবা মীওইশিং নকশিন্নবা ঙম্নক্তবা, অসিনচিংবা মরমশিংনা সোসিয়েল সপোর্টকী চাং ইন্দিয়াদা নেমই।

হকশেলগী খুদোংচাবশিং সহর অমসুং খুঙ্গংগী লমশিংদতা নত্তনা খরা চাউখৎপা অমসুং খরা শোথরিবা ষ্টেটশিংগী মরক্তা কা হেন্না চাউনা খেন্নবা লৈবাক অসিদা উবা ফংই। অনা লায়েংগীদমক অরাপ অরাপ্পা মফমশিংদা চৎনরি। লায়রবা ইমুংগী মীওই কয়া মচি ওইবা চীঞ্জাক ৰাৎপগী অনাবশিং মায়োক্লরি। ফিনলেন্দগী মীওই অমগী লাইফ এক্সপেক্টেন্সি চহী ৮২ ওইবা মতমদা ইন্দিয়াগী মীওই অমগী চহী ৭২ খক্তমক ওইরি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম মী অমা ওইবগী মশা মশাগী নীং-খা তম্বগী মথক্তা শেল-থুমগী অমদি খুন্নাইগী ওইবা নীং তম্বা হায়বদু মপুং ফানা ফংদ্রি। আইনগী ওইবা মীৎয়েংদা নীং-খা তমজরবসু তশেংনমক্তি লৈঙাক্লোনগী, খুন্নাইগী, শেন্মীৎলোনগী, ধর্মগী ওইবা অথিংবা কয়ানা মীপুম খূদিংবু অফা অপুন্নবা ফাওহল্লি।

পুকচেল চাউবা অমসুং কখোকপগা লোয়ননা মীওইবা মশেলগী মরক্তা মতেং পাংনবা, ইশাগী ওইজবা থিরুদনা মীয়ামগী য়াইফনবা দান তৌবা ঙম্বা মীওইশিং ওইবা, শকখঙনদবা মীওইশিংদা ফাওবা মতেং পাংবীবা, খুন্নাইদা লৈমিন্নরিবশিং থাজননা, নুংশিননা, অমত্তা ওইনা, নুংঙাইনা লৈবা তঙাইফদে।

শেঞ্জা থুমজাগী চাং য়ান্না ৰাংবা লমদমশিং মীয়ামনা লৈবা নুংঙাইবা হায়বদু কৈদৌঙৈদা ওইদে। মরম অদুনা লৈঙাক্লিবশিং, লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক তৌরিবশিংখক্তা নত্তনা ললোন-ইতিক তৌরিবশিং ফাওবা য়াওনা শেঞ্জা থুমজানা হারবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমনা হেপ্পিনেস ইন্দেক্স নেম্বদা ঙক্লিংঙাই ওইদে।

হেপ্পিনেস ইন্দেক্স পুথোকপদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মীৎয়েং থল্লিবা হীরম খরসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা শোথবা ময়াম অমা লৈবসিনা লৈবাক অসি মীচম মীয়ন্না লৈবা নুংঙাইবা লৈবাক অমা হায়বদু ওইবা ঙমদে। লৈবা নুংঙাইবা লৈবাক অমা ওইনবগীদমক্তা লৈঙাক্লিবশিং, লৈবাক অসিগী মখল খূদিংগী মীয়ামশিং পুন্না ৰাখল তামিন্নবা মথৌ য়ান্না তাই। ইন্দেক্স অসিদা ঐখোয়গী চাউখৎপগী থাক উবা ফংলিবনি।

> "হেপ্পিনেস ইন্দেক্স অসি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০১২দগী হৌদোকখি। চহী কুমশিং ১৯৭০গী মতমদা ভুটান্দা পাল্লম্বা নিংথৌ জীগমে সিংয়ে ৰাংচুক্লা লৈবাক অমগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ত (জি দি পি)দগী গ্রোস নেসনেল হেপ্পিনেস (জি এন ঐচ)না হেন্না মরু ওই হায়বা ৰাফম পুথোরকখি। মহাক্কী জি এন ঐচ কী মরু ওইবা মীৎয়েংদি অপুনবগী ওইবা চাউখৎপা, ইশাগী নাৎ-চৎনবী ঙাকপা, ঐখোয়গী অকোয়ববু নীংথিনা ঙাক-শেনবা অমদি অফবা লৈঙাক হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইবনি। মহাক্কী চাউখৎপা হায়বসি মীয়াম্বু নুংঙাইনা লৈহনবা ঙম্বদুনি হায়বা ৰাখল্লোন অসিদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ানিংবা ফোঙদোক্লরকদগী য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পূক্লিং চঙলক্তুনা কুমজা ২০১১দা ৰারেপ অমা লৌদুনা নুংঙাইনা লৈবা হায়বসি মীওইবগী হিংবগী তঙাইফদবা পান্দম অমনি হায়বসি য়াখি।"

শোয়খিবা

হৌখিবা এপ্রিল ৯, ২০২৬তা পাউচে অসিদা ফোঙখিবা আর্টিকল 'শান্নবুংগী ৰা' গী মীংথোল অদু 'শান্নবুংগী প্রোফাইলদি জেকসিয়া জেক রিপব্লিক হায়রগসু খঙনবা লৈবাক্কীনি, অদুগা লমদম অসিদনা লৈঙাক্লা শান্তি থিনা থিনা ভোট খোল্লি' হায়না ওইগদবনি। চাউনা শোয়খিবা অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

-ফিচর এদিটর